ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯷ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, দিসেম্বর ১০, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৫৭শুবা মশীং

# হ্যুমেন রাইট্স দেগী থৌরম

## *নুংগী ৱাহন্থোক খঙনা থৌরম পাঙথোকপা চুমগনি*

চহী খূদিংগী দিসেম্বর ১০ দা হ্যুমেন রাইট্স দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৪৮ দা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিনা য়ুনিভর্সেল দেক্লরেসন ওফ হ্যুমেন রাইট্স অয়াবা পীখিবগী থৌওংবু নীংশিংবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কাঙলূপ, শক-চু, লোল, হৌরকফম অমসুং লাইনিংগী খেন্নবা থমদনা মীপূম খূদিংমক্তা চপ মান্নবা রাইট ফংহনগদবনি হায়বা ৱাখল্লোনদা য়ূম্ফম ওইরগা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিনা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্নবগী য়ূম্ফম থোনখিবা য়ুনিভর্সেল দেক্ল্যেরেসন ওফ হ্যুমেন রাইট্সপু তোঙান-তোঙানবা লোল ৫০০ হেনবদা হন্দোক্তুনা ফোঙখি। মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং খাঙলিবা অমসুং খ্বাইদগী শোত্থহৌরবা কাঙলূপকী মীওইশিং অৱাংবা থাক্তা পুখৎকদৌরিবা থৌরাং অসি মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রগসু হ্যুমেন রাইট্স দেগী মরু ওইবদি অসুম-অসুম হেনগৎলক্লি। কুমজা ১৯৪৮ দা হ্যুমেন রাইট্সকা মরী লৈননা লাউথোকখিবা ৱাফমশিং চহী ৭০গী মতুংদা ঙসিসু অদুম্মক মতমগা চানরি। য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিনা কুমজা ১৯৪৮ দা ৱারেপ লৌখিবা তারবসু মালেমগী মফম শীনবা থুংনা হ্যুমেন রাইট্স দেগী থৌরম পাঙথোক্নবা লেপ্পখিবদি কুমজা ১৯৫০গী দিসেম্বর ৪ দা পাঙথোকখিবা জেনরেল এসেমব্লিগী ৩১৭ শুবা প্লিনরি মীফমদনি। দিসেম্বর ১০ দা অৱাংবা থাক্কী পোলিটিকেল কনফরেন্স কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা চহী মঙা-মঙা লৈরগা হ্যুমেন রাইট্সকী লম্দা পীবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মনা অমদি নোবেল পীস প্রাইজসু নুমিৎসিদা লান্থোকই। থৌরম অসি মীয়াম্না অসুক্কী মতিক পান্নরকপগা লোয়ননা কুমজা ১৯৫২ দা য়ুনাইটেদ নেসন্স পোস্টেল এদমিনিস্ট্রেসননা পুথোকপা হ্যুমেন রাইট্স দেগী কম্মেমোরেটিভ ষ্টাম্পসু মীওই ২,০০,০০০ হেনবনা মাঙজৌননা ওর্দর তৌদুনা লৈনখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স অমদি তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা মশক থোকপা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু মফম অয়াম্বদা মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবগী থৌদোক থোক্লি হায়বা য়াই। মণিপুরগী ওইনসু রাইট খোঙ্গাওনবগী থৌওং অসি ঙসি-ঙরাংতগী ৱাফম নত্তে হায়বদা লানগদবা মান্দে। লালহৌবগী ঈহৌ লৈবা মরম্না মণিপুরদা মীয়ামগী চাউখৎ-থৌরাংশিং মতিক চানা পায়খৎপা ঙমদবনি হায়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকপা তারগসু মীয়াম্না হায়রিবদি লালহৌবা নমথবগী মিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা কা-হেনবা মওংদা রাইট খোঙ্গাওনবগী থৌওং চৎথৈ হায়বসিনি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মীচম-মীয়ামগী রাইট খোঙ্গাওনবগী থৌওং তোয়না চত্থবা মরম্না লমদমসিদা লালহৌবগী ঈহৌ কনখৎলকপনি হায়না হ্যুমেন রাইট্স ৱাটচ (ঐচ আর দব্লিয়ু) না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মতৌ অসুম্না নাকল অনী মরাল শীনরগসু মীচম-মীয়ামগী রাইট মপূং ফানা ফংহন্নবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলকপগী খূদম উবা ফংদ্রি। আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসল পাৱরস) এক্ট, ১৯৫৮ চৎনবনসু মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না খূদোংথীবা মায়োক্নহনবগী ফীভমদা লৈরি। দিষ্টর্ব এরিয়ানি হায়না লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা এক্ট অসিনা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা অহেনবা মতিক-ময়াই পীরি। এক্ট অসিগী মরুমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অপান্বা মতমদা খূৎশেমগী খূৎ থোক্লবা থৌদোক থোকহল্লগা মী হাৎপা, মীওই কয়া মফম খঙদনা মাঙহনখিবা অমসুং নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনবগী থৌওং চৎথৈ হায়না মীচম-মীয়াম অমসুং হ্যুমেন রাইট্সকী লম্দা থবক তৌরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মরাল শীরি। অমরোমদা মকোক থোংবা সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা হায়রিবদি মণিপুরদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপশিংনা চহী নৌরিবা অঙাং কয়া নমদুনা লালহৌবা য়াওহল্লগা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং চৎথহল্লি হায়বসিনি। ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইট্স লোগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ১৮ শুদ্রিবা অঙাংশিং লান্মী ওইনা শীজিন্নবা য়াদে হায়বা তারগসু চহী নৌরিবা অঙাং কয়া নমদুনা লালহৌবা য়াওহল্লগা 'চাইল্ড সোলজর' ওইনা শীজিন্নে হায়নসু মরাল শীরি। কনানা চুন্নিবনো খঙদবা মওংদা নাকল অনী অমনা অমদা মরাল শীনবা তারবসু মীচম-মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইট মপূং ফানা ফংহন্নবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলকপা উদে। তৌবগীবুদি হৌখিবা ওগষ্ট ৩০ দা মণিপুর হ্যুমেন রাইট্স কম্মিসন নৌনা হিংগৎহনখিবগী থৌওং অদু অফবা খূদমনি হায়না লৌবা য়াই। চহী ৮গী মতুংদা কম্মিসন অসি নৌনা অমুক হিংগৎহল্লবনিনা মীচম-মীয়ামগী রাইট খোঙ্গাওনবগী থৌওং খরমখৈ হন্থহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি। অদুম ওইনমক মায়কৈ অমা নৎত্রগা অমদগী চত্থরকপা মীওৎ-মীনৈ খাঙবদা পূক্নিং লৈতানা লৈজবা ফংদ্রবা মীয়ামগীদমক খল্লগা মালেমগী হ্যুমেন রাইট্স দেগী থৌরম অসি নুংগী ৱাহন্থোক খঙনা পাঙথোকমিন্নবা মথৌ তাই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### সাইকল থৌবগী নুমিৎ পাঙথোকহন্নীংই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**থৌরসি** সাইকল শাজেল ওই, হকচাংবু নাদ-য়েক্তুনা লৈনবা, লায়রবা-ইনাকখুনবা খাক্তনা, নহা-অহল নাইদনা, নুপা-নুপী থিদনা, সাইকলনা ঐখোয়গী মরুপ ওই, সাইকলনা ঐখোয়গী চৈশু ওই, মহৌশাগী খলসু কায়দনবা, মালেমসু লৈতানা লৈজনবা, থৌরসি সাইকল য়াঙনা, মালেম পূম্বনা উনবা, খিংলসি হৌনা মন্দিলা, তাইবঙ পূম্বনা তানবা। সাইকল থৌবনা খোঙনা চৎপদগী থুবা হেল্লি। পূক্নিং হকচাং, ৱাখল পূম্নমক মথৌ তৌই। শেল পায়জদবশিংগী অশেংবা মরুপনি। তৎন-থান য়াদবা খোঙলোয়নি। সাইকল য়াখিদবদা খোঙ তেকপগা চপ মান্নে। সাইকল থৌবনা খুদোংথীবা থোকপদা কিনীংঙাই লৈতে, অশোক-অপনগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। সাইকল থৌবনা মহৌশাগী ফজবা উহল্লি, খূৎশেমগী নীংথিবা কয়াবুসু মীৎ পেন্না য়েংজবা ফংই। হৌজিক মতমগী মৈখু থোকপী গাড়ী মচা কয়ানা মহুৎ শিল্লবসু সাইকলমুক ফবা লৈত্রে। অসুক ফবা সাইকল অসিবু ঐখোয়না মীরাইবা হৌনদে। ইম্ফাল ময়োলদা লৈবিরিবা মীপূম খুদিংনা থাউ হানবা গাড়ী মচা শীজিন্নবগী চাং হন্থবীরগা সাইকলনা মহুৎ শিনবগী হৈনবী লৈবীয়ু। মসিনা ইম্ফাল সহর চিলহনবগী চাং হন্থরক্কনি। ওফিস কাবা, স্কুল, কেলেজ চৎপা, কৈথেল কাবা খুদিংমক গাড়ী মচাগী মহুৎ সাইকলনা শিন্দোক্লসি। মালেমদা ইম্ফাল সহরসি সাইকলগী সহর ওইনা কংলৈপাকপু মশক তাকপদা শ্রী বিরেনগী লৈঙাকপুসু অনৌবা পুৱারীগী খোরিরোলগী লমায়দা ইশিন্দুনা য়াওহনবা লৈঙাক্লা চাংয়েং অমুক্তং তৌবীয়ু।

কুমজা ২০১১গী জন্যুৱারী ১৩দা হৌদোকপীখিবা 'মণিপুর সাইকল ক্লব' ওফিস জুপিটর য়াম্বেম সেন্তর, পাওনা ইন্টরনেসনল মার্কেট ইম্ফাল ৱেষ্ট চহী ৮ মপূং ফারক্লদৌরে। ক্লব অসিবু হৌদোকপীরম্বা মীশক মহাকপুসু লৈঙাক্লা মশক খঙবীবা ওইনা 'মণিপুর বাইসাইকল দে' পাঙথোকহন্নীংই। কুমজা ১৮৩৯দা বাইসাইকল পুথোকপীরম্বা বৃটেন মচা কিরকপাত্রিক মেকমিল্লনবুসু মণিপুর সাইকল ক্লবনা ইকায়খুম্নবগী থৌরম পাঙথোকপা য়াই, পাঙথোকহন্নীংই। লোয়ননা মণিপুর (কংলৈপাক) অসিগী খুনফম খুদিংগী মণিপুর সাইকল ক্লবকী মশা লোইশঙ হাংদোকপীদুনা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা 'লায়না লৈতবা পুন্সি মহিংগী সাইকলনা হীদাক ওইরসি' হায়দুনা 'সাইকল থৌবগী নুমিৎ' ফাওবা পাঙথোকহন্নীংই।

*অদোমগী - খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর, কুম্বী।*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৫

১। মণিপুরগী পুৱারীদা লাচন্দুনা লৈরি, মাইনু পেমচানা থৌরি য়ান্দুনা শিখিবা। হৌজিক ফাওবা চনু অসিগী ৱারীনা ঐখোয়গী খোরিরোলদা অচৌবা মফম অমসু কল্লি।
(ক) মাইনু পেমচানা শিখিবা কুমজা, তারিখ হায়য়ু।
(খ) মাগা মরী লৈনরিবা বোরাচাওবা কনাগী মচানো?
২। "ময়াম্না দুর্বাসা হায়রগা খঙনৈ।... মাগী মথক্তা ৱা ঙাঙবা য়াদে।" ৱাফম অসি ক্রিটিক অমনা অইবা অমবু হায়রিবনি। অইবদু কনানো?
৩। "ৱারীমচা ইবা নবকুমার নোংমৈকাপম্বু মীরায়বা য়াবা অইবরা?" ৱাফম অসিসু ক্রিটিক অমনা নবকুমারবু থাগৎতুনা হায়রিবনি। ক্রিটিক অদু কনানো?
৪। ঐখোয়গী ৱারীমচা ইবী অমনা ১৯৮৭তা 'কদায়দনো' কৌবা উপন্যাস অমা ফোঙলকখি। অইবী অদু কনানো?
৫। "মায়কৈ অমরোমদা মপুরোইবগী মফমদগী শর্মিন্দানা মচাগী পাউ তাবদা পুন্সি চুপ্পা খুদাং পিফম কংদনা লেনখি।" পরেং অসি 'কল্যানী' কৌবা উপন্যাসতুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## *লৌমীশিংগী কাখল*

# 'ৱর্ল্ড সোইল দে' দা মীৎয়েং অমা

### ডা: এম থোইথোই সিংহ






**'ৱর্ল্ড সোইল দে'** চহী খুদিংগী দিসেম্বর ৫দা পাঙথোকপা য়াম্না মরুওইবা থৌরম অমনি। থৌরম অসি কুমজা ২০০২দা ইন্টরনেসনল য়ুনিয়ন ওফ সোইল সাইন্সেস (আই য়ু এস এস) না লৌখিবা ৱারেপ অমগী মখাদা চহী খুদিংগী মালেমগী মফম পূম্নমক্তা পাঙথোক্লরি। পোত্থোক য়াম্না ৱাংবা হায়বসিগা অফবা লৈপাক লৈহাও হায়বসিগা লৈনরিবা মরীদুমক্লা লৈবাকপু লুনা তৌবা, ফনবা শেম শাবা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা অমা ওইরে। মসিমক্লা চহী খুদিংগী হায়রিবা নুমিৎসিদা তোঙান তোঙানবা থিমদা থৌরমসি পাঙথোক্লরি।

কুমসি চহীগী ৱর্ল্ড সোইল দেগী থিম অসি "Be the solution for soil pollution" নি। অইবগী মীৎয়েংদদি কুমসির্গা থম আসনা খ্বাহদগা হেন্না ফজে হায়না খঞে। মসিদি লৈবাকপু ফহনবদা মীওই খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ হায়বদু তাকই।

শিৎ-শেংবা ঙাক্তনা নানগদবা নত্তে, চাইথোক্ত্রগা নানগদবনি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। লমদমসিদদি চাইথোকপীনবা মীনা য়াম্মী, শিৎ শেংবগীদমক্তদি লূবা-নানবা নুমিৎকা




মরী লৈনবা নুমিত্তদা পাঙথোকপা ওইনা তৌই। অদুবু কনাগুম্বা মীওই অমনা মিথাই চাবদা মিথাইদুবু য়োল্লক্লিবা প্লাষ্টিক্তু মফম চানা হুন্দোকফম লৈত্রবদি ফুরিৎখাওদা ঙহাক হাপ্লগা মফম চাবা য়েংলগা থাদরুবা হায়বসিদা অউবা মীশিংনা মতৌ তম্নরক্কনি। মতৌ তম্বা য়াম্না থুবা লমদমনি। অফবা থবকসু পাম্বু পান্নরবদি য়াম্না থুনা শন্দোকই। খুদম অমত্তং থমজরবদা কুমসি অসি মমাঙগী চহীগা য়েংনরুবদা লৌবুক্কী চন্দ্র মৈ থাবা য়াম্না হন্থরে। লৈবাক লৈশা ফনবগীদমক লৌবুক্তা চন্দ্র চাইথোক্লরে। পূনশিল্লগা মফম চানা থম্বগী চাং হেনগৎলক্লি। Roller bailer শীজিন্নদুনা মেছিন্না য়ৈরুবা চন্দ্রশিং পূনশিল্লগা মফম চানা থম্নরে।

মতাং অসিদা শীজিন্নবা য়াবা অনৌবা টেক্নোলোজি অমনা পৈদুনা লৈজবা চন্দ্র মপৈ অদুদা চাইশিনবা য়াবা দিকম্পোজরসু মরাং কায়না ফংলে। ময়ামদুগী মনুংদা SAGAR (Poly culture) হায়বা *Pleurotus, Azospirillum* অমসুং *Trichoderma* য়াওবা কলচর অসি চাইশিল্লগা চন্দ্রশিংদু পত্থহনবদা নত্তনা চেঙ্গুমসু ফংবা, হারসু হেনগৎহনবা অমসুং লায়না লাকশিনবদসু লায়হনবা অদুগুম্বা কম্পোষ্ট পুথোকপা য়ারে।

ৱর্ল্ড সোইল দেগী থৌরমশিংদা লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা অচৌ অশাংশিংনা ফোঙদোকপা ৱাফমশিং পারুবদা থোইদোক্লা পেন্নীংঙাই ওইদে। 'Be the solution for soil pollution' হায়বা ফজখ্রবা থিমদুগী ৱাহন্থোক ইরৈ লৈখিদবা মাল্লি। মীপূম খুদিংনা লৌগদবা রোলদু হুন্দোক্লন্নগা লৌমীশিংনা হার শীজিন্নবা হন্থবা, কেমিকেল পেষ্টিসাইদ শীজিন্নবা হন্থবরোমদা খক্তা চৎখ্রে।

লমদমসিগী জেন্টলমেন খরনা অয়ূক অঙনবদা সিমেন্ট বোড়াদা অমোৎ-অকায় ময়াম অমা মশাগী গাড়ীদা পুরক্লগা নম্বুল তুরেলদা হৈথবা (ফোটোদি নমজহৌদ্রে) ময়াম্না উবিগনি, তুরেলগী মপান্দা লুখাক-চগুম ময়াম অমা হুন্দোকপা, উচি হেনগৎলকপা, কুমগী নোং লাকপদা উচিনা হুৎলম্বা তুরেলগী লৈরাই নীংখাইরকপা, ঈশিং চাওরকপা, মশা নানজবা লৌমীগী ইখোলদা ঈশিং ঈচাওনা অমোৎ-অকায় প্লাষ্টিক্লচিংবা হাজিল্লম্বা ময়াম অমসু লৈরি। অদুনা লৌমীদা ঙাক্তা পংতাই তাইশিন্নবসি নুংঙাইতে।

মণিপুরগী ওর্গেনিক ফার্মিং মায় পাক্লবা হোৎনবদা লোক্তাক্কী ফুমথী শীজিন্ননবা মীৎয়েং থম্নরি। শীজিন্নবা হৌবসু য়াওনরে। অদুবু নাকল অমরোমদা লোক্তাক্তা নোংমদা পুথরক্লিবা অমোৎপশিং অসি চেক তৌবা চঙই। লোক্তাক্তগী পুখৎলক্লিবা ফুমথীশিংদা হেভি মেটেলশিং য়াম্না য়াওরকপা য়াবগী ৱাফমসু লৈরি। হন্দক্কী ৱর্ল্ড সোইল দেগী থিমদু ঐখোয় পূম্নমক্কীনি, লৌমীখক্কী নত্তে, মখোয়দা ঙাক্তা তাইশিল্লোইসি। পূন্না হোৎনমিন্নসি।

"নানবা হায়বসি শেংদোকপদা লৈতে; চাইথোক্তবদা লৈ"।

# তিন্থ্রোক য়োকপা (ভর্মিকম্পোষ্টিং) অমসুং মসিগী কান্নবা

### এস সুমঙ্গল

**লৈবাক** লৈহাও চেনবা হায়বসি লৈবাক অদুগী মওং মতৌ, লৈবাক্তা য়াওরিবা অশিন-অয়াক্কী চাং, লৈবাক্তা য়াওরিবা ওর্গানিক্কী ওইবা পোৎলমশিং অমসুং লৈবাক্তা য়াওবা তোঙান তোঙানবা মখলগী পান্থী, মচিঞ্জাক মচল অমসুং অহিংবা জীবশিংগী মখা পোল্লি। লৈহাও লৈনবগীদমক লৈবাক্তা অপীকপা মখলগী জীব অমসুং পান্থীনা হিংদুনা লৈবা ঙম্নবা লৈবাক্তুদা ওর্গানিক্কী পোৎলম কয়া চাং চানা য়াওবা মথৌ তাই। লৈবাক্তা অফবা মখলগী ওর্গানিক্কী ওইবা হার হাপ্লগা খূৎশেমগী পান্থৈনা লৈহাও চেলহনবা য়াই। হার মখল খুদিংমক্কী মহুৎ শিল্লক্লিবা হারশিংগী মনুংদা ভর্মিকম্পোষ্টি অসিসু অমনি। অমরোমদনা অমুক লৈহাও চেনবা হায়বসিগা পোত্থোক পুথোকপা ঙম্বা লৈবাক হায়বসিগা অমুকসু খেন্নবা লৈ। মসিনা তোঙানবা ওইনা থমখ্রসি। তিন্থোক্কী হার ভর্মিকম্পোষ্ট অমসুং মসি করিনো? মসি করম্না শেমগনি হায়বগী মরমদা খরা য়েংসি।

অহানবদা মসিদা থেংনরকপা য়াবা ৱাহৈ খরা থমজগে।

**ভর্মিটেক্নোলোজি** ঃ ঐখোয়গী অকোয়বদা ফংলিবা উনা-ৱানা, মনা মশিংগী লেমহৌখাক অমদি শা-ষণগী মথি ময়ুং, পৎথ-পুমথহন্নবা পান্থৈ অমা ওইরিবা ভর্মিটেক্নোলোজিদা অপীকপা মহিকশিং অমসুং তিন্থোক শীজিন্নে। টেক্নোলোজি অসিনা লৈবাক লৈহাওগী ফীভম ফগৎহনবদা য়াম্না মতেং পাঙই।

**ভর্মিকম্পোষ্টিং** ঃ তিন্থোক্না শা-ষণগী মথী-ময়ুং অমসুং মনা মশিং চাথোক্লগা হার ওন্থোকপগী থৌওং অদুবু ভর্মিকম্পোষ্টিং হায়না কৌই। মসি য়াম্না লায়না অমসুং শেলসু চঙদনা পায়খৎপা য়াবা থৌওং অমনি।

**ভর্মি-ৱাশ** ঃ ভর্মি-ৱাশ হায়বসি তিন্থোক য়োকপা হৌরবা মতুং নুমিৎ ৪০গী মতুংদা ভর্মিকম্পোষ্টিং য়ুনিত্তগী থোক্লকপা মহি অদুবুনি। মহি অসিদা পান্থীদা কান্নরবা হার য়াম্না য়াওই।

**ভর্মিংকলচর** ঃ তিন্থোকপু মচিঞ্জাক পীজরগা য়োক্তুনা মশীং য়ামথোকহনবগী থৌওং অদুবু ভর্মিকলচর হায়না খঙনৈ।

**তিন্থোক মখল** ঃ ঐখোয়গী লমদমসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা তিন্থ্রোক মখলশিং অসি মচীঞ্জাক য়াম্না চাদে। মরম অদুনা তিন্থ্রোক মথী/ভর্মিকম্পোষ্ট য়াম্না পুথোক্লবগীদমক মচিঞ্জাক য়াম্না চাবা লমদমসিগা চুনবা মখলগী তিন্থ্রোক য়োকপীগনি। মপান লমদগী পুশিল্লকপা লমদমসিদা চানবা মখলগী তিন্থ্রোক মখলশিংদি African night crawler earthworm (*Eudrilus euginae)* অমসুং Red Worm *(Eisenia foetida)* নি।

**হার শেম্বা য়াবা পোৎলমশিং** ঃ মশা মথন্তা পৎথজবা ঙম্বা পোৎলমশিং অমসুং হু চেন্দবা ওর্গানিক্কী পোৎচৈ খুদিংমক ভর্মিকলচর অমসুং ভর্মিকম্পোষ্টিংদা শীজিন্নবা য়াই। মরু ওইনা ভর্মিকম্পোষ্টিংদা ষন্থি, ইখোলগী মনা-মশিংগী অরেম্বা, উনা ৱানা, চে ফত্তবা, লশিং ফি, বাইওগ্যাস স্লরি (বাইও গ্যাস পুথোক্লবা মতুংদা লেমহৌবা শরুকশিং) অসিনচিংবা কয়া অমা তিন্থ্রোক্তা পীজদুনা ভর্মিকম্পোষ্ট শেম্বা য়াই।

**য়োকফম শেম্বা** ঃ ঈ নৎত্রগা চরুনা কুপ্পা শঙদা ভর্মিকম্পোষ্টিং তৌবনা/তিন্থ্রোক য়োকপনা খ্বাইদগী ফৈ। হার শেমগদবা মফম অদু মিটর মখাই অমদগী অমা ফাওবা পাকহনগনি। অশাংবদি মথৌ তাবগী মতুং ইন্না শাংহনগনি। হায়বদি কাদুগী মতুং ইনগনি অমসুং লৈমায়দগী সেন্টিমিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা ৱাংহনগনি। খরা হেন্না ৱাংহনবদা করিসু কায়বা লৈতে। মনুংদা হাপচিল্লিবা পোৎশিং অদু চোৎলি-চোৎলি থম্নবা চাইরিবা ঈশিংগা লোইননা থোরকপা অহেনবা মহিশিংদু মচি অমদা চিথখিনবা মায়কৈ অমরোমদা খজিক্তং ঙমথহনগনি অদুগা অহোবা মখুল মচা অমা লৈমায়গা তাইনবদা হুৎপীগনি। খরা শাংবা টেঙ্কি ওইরগনা অহোবা মখুল মচা ৪-৫ খক লন্তক্লা হুৎপীগনি। মপানলোমদা চিথরক্লিবা মহিশিংদু মাঙহন্দনা পূন্না লৌথোকপা য়ানবা দ্রেন মচা অমা শেন্বীগনি। মহিশিং অদু তুংশিন্নবগীদমক টেঙ্কি মচা অমা চনবীবনা খ্বাইদগী ফৈ।

**হার শেমগদবা পোৎশিং শেম শাবা** ঃ ভর্মিকম্পোষ্টিং য়ুনিট অমদা হাপকদবা পোৎচৈশিং অদুদগী প্লাষ্টিক, য়োৎ, গ্লাস, সেরামিক্স, নূংনচিংবা তুম্বদা ৱাগদবা/তুল্লোইদবা অমসুং তিন্থ্রোকনা চাবা ঙমলোইদবা পোৎলমশিং খন্দোকপীগনি। হাপকদবা পোৎশিংদু খরা চাউবা পান্থীশিং ওইরবদি তিন্থ্রোক্লা চাবদা অমদি মথক মখা ওনবদা লায়নবা খরা তেন্না ককপীগনি। পোৎলমশিং অদু নুংশাদা নিংথিনা ফৌদোকপীগনি। মসিনা মহিক মতাই য়াওবশিং হাত্তোকই অমসুং মনম চেলহন্দে। ঙম্লবদি লায়না তিলনা তাবা মনা-মশিং য়াওরবদি মদু চাদা ৪ গী মপাঙ্গল লৈবা নিম মহিদা লুপ্পীহৌবা ঙম্লবদি য়াম্নমক কান্নগনি।

**ভর্মিকম্পোষ্টিং করম্না তৌগনি** ঃ (১) টেঙ্কিংগী খ্বাইদগী মখা থংবা লৈরোলদা চেক মতেক অমসুং লৈঙোইনা ইঞ্চি ২ দগী ৩ থানা থাগনি। (২) মথংদা হোম হোম লাওবা লৈবাক লৈরোল অমা ইঞ্চি ৬ তগী ৮ থানা হাপ্পীবা ফৈ। (৩) থা অমা ফানা পুমথরবা ওর্গানিক্কী পোৎলমশিংগা ষন্থিগা য়ান্নরগা ইঞ্চি ২ দগী ৩ ফাওবা থানা হাপকনি অমদি হাপকদৌরিবা পোৎ চৈশিং অদু চোৎ চোৎ লাওহনগনি। মসিদা তিন্থ্রোক হাপচিনবা য়ারে। (৪) স্কার মিটর অমগী এরিয়াদা তিন্থ্রোক লিশীং অমা হাপ্পনা য়াম্না চানবা চাং ওই। (৫) তিন্থ্রোক হাপখ্রবা মতুংদা পৎথ পুমথরবা মনা-মশিং অমসুং ষন্থিগী লৈরোলনা ইঞ্চি ৭ তগী ৯ থানা মচিঞ্জাক ওইনা হাপ্পীগনি। চোৎ চোৎ লাওনা লৈনবা চাং নাইনা ঈশিং চাইবীগনি। (৬) নুমিৎ মরিনি খুদিংগী পৎথবা ঙমগদবা মনা-মশিংশিং ইঞ্চি ২ দগী ৫ থানা হাপকনি অমদি পোৎলমশিং অদু টেঙ্কিগী অৱাংবদগী খরা হেনবা ফাওবা হাপকনি লোয়ননা মথক্তা বোরানা কুপকনি। (৭) মতম খরা থা ৫-৬ মুক লৈরবা মতুংদা মথক থংবা মরোলদা চা মনা অকংবা মানবা তিন্থ্রোক মথীশিং লৈবা উরবদি হার ওইনবা লৌথোকপীবা য়ারে। (৮) হার লৌথোকপা মতম য়ৌরকপদা মাঙজৌননা নুমিৎ ৭-৮ নি ফাওবা ঈশিং চাইবা



ভর্মিকম্পোষ্টিং য়ুনিট

লেপ্পীগনি। মতমসিদা তিন্থ্রোকশিং মখা থংবা লৈরোলদা চঙখিবা থেংনগনি লোয়ননা হারশিং অদু লৌথোক্তুনা নিকথোকপীবা য়ারে। (৯) হার লৌথোকখ্রবা মতুংদা হান্নগুম্না অমুক হন্না মনা-মশিং অমসুং ষন্থি হাপ্পা য়ারে। থৌওং অসি অইং অশা খেন্নবগী মতুং ইন্না অমদি টেঙ্কিগী চাউবা খেন্নবগী মতুং ইন্না চাওরাকনা থা ৫ দগী ৬ খুদিংগী অমুমুক পাঙথোক্কনি। মরমদি থা তরুক্কী মতুংদা তিন্থ্রোক্লা পোৎশিংদু লোইনা চাথোক্তুনা হার ওলহনবা ঙম্মী। (১০) হার অদুদা য়াওরিবা ফত্তবা/তুমদবা পোৎশিংদু নিকথোক্তুনা খন্দোক্লগা প্লাষ্টিক্কী বেগতা হানবা য়ারে। (১১) করিগুম্বদা মথক থংবা মরোলদগী মরোল-মরোল লৌথোকপগী খুদোংচাবসু লৈ। মসিদি নুমিৎ ২৫-৩০ খুদিংগী পাঙথোকপা য়াই। থা তরুক্তদি হাপ্লিবা পোৎলম খুদিংমক হার ওনখ্রগনি।

**ভর্মিকম্পোষ্টতা য়াওবা হারগী চাং** ঃ ষন্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা অতৈ কম্পোষ্ট মখলশিংদগী তিন্থ্রোক্কী হারনা পান্থীনা মথৌ তাবা মচিঞ্জাক য়াওবগী চাং য়াম্না হেল্লি। নাইট্রোজেন - ১.৫ দগী ৩.০%, সলফর - ০.৪ দগী ০.৫%, ফোসফরস - ১.৮ দগী ২.২%, আইরন - ০.৪ দগী ১.৫%, পোটাশ - ১.৫ দগী ২.৪%, মেগনিজম - ০.২ দগী ০.৩% অমদি কেলসিয়ম - ০.৫ দগী ১.০% হায়রিবা মচলশিং অসি নীংথিনা য়াওই। মসিগী মথক্তা কোপ্পর, জিঙ্ক, মেঙ্গানিজনচিংবা কয়াসু য়াওই।

**ভর্মিকম্পোষ্টিং অমসুং ভর্মিকম্পোষ্ট শীজিন্নবগী কান্নবশিং ঃ**

১। ইমুং-মনুংগী চাখুমগী লেমহৌবা ফত্তবা, মনা-মশিং কয়া হার ওন্থোক্তুনা অকোয়বগী ফীভম মোৎহন্দে। ২। খূৎশেমগী হার শীজিন্নবা হন্থহল্লি নৎত্রগা শীজিন্নদ্রবসু য়াহল্লি। ৩। অতৈ হারশিংদগী ভর্মিকম্পোষ্টনা পান্থীগী মচিঞ্জাক মচল হেন্না য়াওই। ৪। ভর্মিকম্পোষ্ট মতম শাংনা হাপ্পনা লৈবাক লৈহাওগী অমদি লৈশাগী ফীভম ফগৎহল্লি। ৫। ভর্মিকম্পোষ্ট হাপ্পা পান্থীশিংনা হাপ্তবশিংদগী মশা মউ ফবা অমদি মহাও লৈবা হেল্লি। ৬। ভর্মিকম্পোষ্টতা মিনরেল অমদি অতৈ কান্নরবা এলিমেন্ট কয়া মরাং কায়না য়াওই। ৭। শেল য়াম্না চঙহন্দনা ইরায় লায়না য়ূমগী মচি য়েনখাগুম্বদা পায়খৎপা য়াই।

**ভর্মিকম্পোষ্ট শীজিন্নবগী চাওরাকপা চাং ঃ**

ভর্মিকম্পোষ্ট অসি মখাদা পীরিবা চাং অসিদা শঙম অমগী লৌফমদা শীজিন্নবা য়াই।

| সেঃ নং | মহৈ-মরোং | চাং (শঙমদা) |
| --- | --- | --- |
| ১ | সেরিএল ক্রোপ- ফৌ, চুজাক | তন ২-৩ |
| ২ | হৱাই | তন ২ |
| ৩ | থাউ থোকপা পান্থী | তন ৩-৫ |
| ৪ | স্পাইসেস ক্রোপ | তন ৪ |
| ৫ | মনা মশিং | তন ৩-৪ |
| ৬ | উহৈ ৱাহৈ পান্থীদা | কেজি ২-৩ |
| ৭ | কেশ ক্রোপ | তন ৫ |
| ৮ | লৈ গমলা | ১০০ গ্রাম |
| ৯ | অচৌবা পান্থী অমদা | কেজি ১-১০ |

**ভর্মিকম্পোষ্ট শেম্বদা চেকশিনগদবশিং ঃ**

১। ভর্মিকম্পোষ্ট তৌগদৌরিবা মফম অদু লৈমাইদগী খরা ৱাংহনগদবনি অমদি নোংজু-নুংশা, ঈশিং অমদি নুংশিৎনা হকথেংননা য়ৈহল্লোইদবনি। ২। ঈশিং তুংহল্লোইদবনি অমদি মতম চুপ্পদা চাদা ৪০ দগী ৫০ গী চাং ফাওবা চোৎ চোৎ লাওনা থমগনি। চাং অসি লায়না খঙগে হায়রবদি য়ুনিট অমদা হাপ্লিবা পোৎলমশিং অদু খূৎনা পায়শিনবা মতমদা খুরক্তা মহি ওরো ওরো চেন্থদ্রবা মুচুম খরদি থোকপা মতমদা চপ চারে হায়না লৌবা য়ারে। ৩। অইং অশাগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ২০ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈহনগনি। মপান্দা সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ শারবসু মফম অদুদি উরুম লাংহন্দুনা অমদি ঈশিং চায়বিদুনা দিগ্রি ৩০ দগী ৩৩ ফাওবগী চাংদা থমগনি। ৪। তিন্থ্রোকশিংদু ককচেং চঙদুনা অমদি চাথোক্তুনা মাঙখিদনবা হোৎনগনি। মসিগীদমক থম্ফমগী অকোয়বদা ঈশিং তুংনবা নালা শেমগনি।

অসুম্না তিন্থ্রোক য়োক্তুনা শেল তান্নবা ওর্গানিক ফার্মিং লোমদা মায় ওনশিন্দুনা অমদি অফবা মখলগী চিঞ্জাক পুথোক্তুনা, লৈবাক লৈহাও কন্ননবা হোৎনদুনা, হৌজিক্কী অমদি তুংগী মীরোলগী য়াইফনবা হোৎনরসি।

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*